# নোর্থ কোরিয়াগী কায়হৌবগী থৌওংশিং লেপহন্নবা যুএস, সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানননা ৱারেপ লৌখ্রে



সিওল, মে ২৮ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা চত্থরিবা কায়হৌবগী থৌওংশিং লেপহন্দুনা লৈবাক অসিবু অমুক হন্না ৱারী শান্নবগী টেবলদা পুরক্কবা মখা তানা হোৎননবা সাউথ কোরিয়া, জপান অমসুং যুএসকী টোপ দিপ্লোমেটশিংনা যান্নখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা অনৌবা রিজোলুসন অমা পাস তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবগী মতাংদসু যুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকন অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর পাক জিন অমসুং জপানগী ফোরেন মিনিষ্টর য়োসিমাসা অয়াসিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

যুএসনা প্রপোজ তৌবা রিজোলুসন অমা যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা ভোট লৌনবদা কাউন্সিলগী ভিটো পৱার পায়বা পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং অমসুং পিওংয়াংগী মীচংশিং ওইরিবা চাইনা অমসুং রসিয়ানা ওপোজ তৌবদগী পাস তৌবা ঙমখিদবনি।

ইরাই নুমিত্তা যুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা রিলিজ তৌখিবদা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা টোপ দিপ্লোমেটশিং অসিনা হায়, সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৩ না শৌগৎতুনসু দিআরপিকেনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না যুএনএসসিগী রিজোলুসনশিং খোঙ্গাওনবগী পাউখুম ওইনা রিজোলুসন অমা কাউন্সিল অসিনা পাস তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা অসি লাইবক থীবনি।

ঐখোয়না মখা তানা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগা খুৎশম্নরগা দিআরপিকেদা মসিনা চত্থরিবা লোনা য়াদবা এক্তিভিটিশিং লেপননবা অমসুং মদুগী মহুত্তা দাইলোগ চত্থনবা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌরে। দিআরপিকে হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল মিংনি, দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া হায়বনি।

হৌজিকফাওবদা নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসিগী ওইনা মিসাইল চাংয়েং ১৭ পাঙথোকখ্রে। খ্বাইদগী নৌনা চাংয়েং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখি। চাংয়েং অদুদা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা য়াওনা বেলেষ্টিক মিসাইল অহুম কাপখি। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মমাঙদা পিওংয়াংনা চহী অসিদা য়ামদ্রবদা আইসিবিএম তরুক কাপখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

দিপ্লোমেন্ট অহুম অসিনা জেইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, হন্দক্তা দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌরিবসি যুএস, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া অমসুং জপানননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লৈবাক অহুম্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈবা মফম অমা ওইহন্দনবা অমসুং মরী লৈনবা যুএনএসসিগী রিজোলুসনশিং মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা অমসুং কন্দিসন থমদনা দিপিআরকেগা মখা তানা ৱারী শান্নবা য়ান্নবা হোৎনবগী পান্দমগা লোয়ননা ট্রাই লেটরেল কোর্পোরেসন চেৎশিন্নবা ফিরেপ লৌরে। নোর্থ কোরিয়াগা দাইলোগ চত্থনবা মখা তানা হোৎনমিন্নগনি হায়না মখোয়না নৌহৌননা লেপ্প খিবনি।

# নোর্দন ইথিওপিয়াদা মপুং ওইনা মরা তপ্না লৈরবসু করি থোক্লক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদে: যুএন



অদিস অবাবা, মে ২৮ (এজেন্সী):
কনফ্লিক্ট থোক্লিবা নোর্দন ইথিওপিয়াদা মপুং ওইনা মরা তপ্না লৈরবসু লমদম অসিদা মতম অমদা হেক্তা করি থোক্লকপা য়াবগে হায়বসি তম্বা ঙমদে হায়না যুএন ওফিস ফোর দি কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ার্স (যুএনওসিঐচএ) না ফোঙদোরক্লি।

যুএন ওফিস অসিনা খ্বাইদগী নৌবা লমদম অদুগী ফিভমগী মতাংদা পীবা অপদেটতা হায়রিবদি হ্যুমেনিটরিয়ান পার্টনরশিংনা কনফ্লিক্ট লৈবা অৱাং ইথং থংবা লৈবাক অসিগী টিগ্রে রিজনদা অহেনবা হ্যুমেনিটরিয়ান সপ্লাইশিং লেপ্তুনা থাজিল্লি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা রিজনেল কেপিটেল মেকেলেদা তেঙবাংগী পোৎলমশিং পুবা কনভোই অহুম থুংখি। মদুদা পুন্না ট্রক ৩১৯ য়াওখি।

যুএনওসিঐচএনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২১ গী জুনদগী হৌজিক ফাওবা অসিদা চয়োল অমখক্কী মনুংদা লমদম অদুদা ট্রক মশিং খ্বাইদগী য়াম্না চঙলিবসি হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ কনভোইনি।

যুএন ওফিস অসিনা ফিগর্সকী মতুং ইন্না লমদম অদুদা মীওই মিলিয়ন মাপন হেন্না চিঞ্জাক্কী মতেং পীবা মথৌ তাই অমসুং কুমজা ২০২২ অপুন্বদা লমদম অদুদা চিঞ্জাক্কী মতেং লেপ্তুনা পীবা চঙগদৌরি। নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী মরু ওইবা মহৈ মরোং থাবগী মতম মেদগী জুনগী অঙনবা শরুক ওইরিবসি থুনা হৌরগদবা ওইবনা লমদম অদুগী লৌমীশিংদা মহৈ মরোং মরুশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিং থুনা পীবা মথৌ তারি।

যুএনওসিঐচএনা চেকশিন ৱা পীরদুনা হায়, য়াম্না মথৌ তারিবা এগ্রিকলচর ইনপ্যুটশিং মহৈ মরোং থাবগী মতমদা পীবা ঙমহৌদবা তারবদি চিঞ্জাক্কী পোত্থোক য়ামদ্রবদা শরুক তঙ্খায় অমরোম হন্থরক্তুনা চাওরাক্লা মেট্রিক টন ৯.৬ কী পোত্থোকশিং পুথোকপা ঙমগদবা মেট্রিক টন মিলিয়ন ৪ দা হন্থরক্কনি।

মসিনা টিগ্রে রিজনদা লৈরিবা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী থাক হৌজিক লৈরিবা অসিদগী হেন্না ৱাংখৎলক্কনি। কনফ্লিক্টনা শোকহল্লবা অমহারা, টিগ্রে অমসুং এফার রিজনশিংদা লৈরিবা অমাঙ অতা থোক্লবা স্কুলশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎপা অমদি রিহেব্লিটেসন তৌবা মথৌ তাগনি হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

# মীশি মীনা থোকহন্দনবা মীয়ামগী খোঙচৎ লেপখিবনি মসিদা দিল অমত্তা লৈখিদে: ইমরান খান



পেসৱার, মে ২৮ (এজেন্সী):
পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) না শিল লাংখিবা কেপিটেল ইস্লামাবাদ ফাওবা চৎকদবা অজাদি খোঙচৎ থুনা লোইশিন্নবগীদমক দিল অমা পুরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা শেঙদোক্লদুনা পার্টি অসিগী চিয়ারমেন অমসুং পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্না খোঙচৎ অদুবু থুনা লোইশিলহনখিবগী মরমদি মীশি মীনাশিং থোকহন্দনবগীদমক্তনি।

ইরাই নুমিত্তা পেসৱারদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবগী মতম লাউথোক্তবা তারবদি মহাক্না অমুক হন্না লন্থীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা পুলিসনা এটেক্ট তৌখিবগী থৌওংবু মহাক্না য়ানিংদবা উৎখি অমসুং ওফিসার কয়াবু পিটিআইদা টার্গেট তৌহল্লি হায়না মহাক্না গভর্নমেন্টবু মরাল শীখি।

ইমরান খাননা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী ৱার্করশিংনা করিগীদমক্তা ঐখোয়না সিট-ইন পাঙথোকখিদবনো হায়না হংলকখি। তশেংবদি ঐহাক নুমিৎ ১২৬ নি সিট-ইন পাঙথোকখিবা মীশকনি। মদু ঐঙোন্দদি অরুবা ওইখিদে। তৌইগুম্বসুং মতম শাংশিল্লকখিবগা লোয়ননা ঐহাক্না লুশিল্লক্লিবা ফিভমগী মতাংদসু খন্দবা য়ারকখিদে। ঐহাক্কী ৱাখলদা নুমিৎ অদুদা শোয়দনা মীশি মীনা থোরকপা য়াই হায়না খনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পুলিসকী খুত্থাংদা টেরোরিজম কয়া চত্থখিবা অদু উবদগী মীয়াম্না শেম শাদুনা লৈনখি। মীওই খরদি মখোয়না উরিবশিং অদুনা অদুক্কী মতিক নুংঙাইহনখিদে।

ওফিসলশিংদা প্রোটেষ্টরশিংবু তাথি তাওইনা তৌনবা ইন্সট্রক্সন পীখি। মতমদুদা মীয়াম্না খোইরাং খোইশাওনরিবদু য়েংলগা ঐহাক্না সিট ইন পাঙথোক্তনবা ৱারেপ লৌখিবনি। করিগুম্বা মদু পাঙথোক্লম্বা তারবদি মীশি মীনা শোয়দনা থোক্লম্বা য়াই হায়বসি ঐহাক্না চিংনবা লৈতনা হায়বা ঙম্মী।

পুলিস ওফিসলশিংগী মায়োক্তা মীয়ামদা হঙ্গোই তুক্কৎচবগী ৱাখল চেনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসসু ঐখোয়গীনি। মদু মখোয়গী মরাল নত্তে। গভর্নমেন্টনা দিরেক্তিব ইস্যু তৌবনি। করিগুম্বা ঐহাক্না লুচিংদুনা অচৌবা সিট ইন পাঙথোক্লম্বা তারবদি মীশি মীনা থোক্তুনা লৈবাক অসিদা কাংখোং চাইবগী ফিভম অমা লাক্লমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# যুক্রেনদা মতেং পাঙবগী মহুত্তা যুএসনা স্কুল সেক্যুরিটিদা হেন্না মীৎয়েং চঙগদবনি: ট্রম্প



হ্যুষ্টন, মে ২৮ (এজেন্সী):
যুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খ্রে, মদুদি ৱাশিংতন গভর্নমেন্টনা লান থোক্লিবা যুক্রেনদা মতেং থাবগী মহুত্তা লৈবাক অসিগী স্কুল সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ফন্দিংদা ওইনা মীৎয়েং চঙগদবনি।

ট্রম্পনা ৱাফম অসি ইরাই নুমিত্তা হ্যুষ্টনদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল রাইফল এসোসিএসন (এনআরএ) গী নুমিৎ হুম্নিগী চহীগী ওইবা কনভেন্সনদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

কনভেন্সন অদু টেক্সাসকী যুভালদেদা লৈবা রোব ইলিমেন্টরি স্কুলদা থোকখিবা শাথিরবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা অঙাং ১৯ অমসুং ওজা ২ শিখিবা মতুং নুমিৎ হুম্নি কান্নরগা পাঙথোক্লিবনি।

সপোর্টর লিশিং কয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়, ঐখোয়না ইরাক অমসুং অফঘানিষ্টানদা ট্রিলিয়ন কয়া চাদিং তৌখিবা ওইরবসু মদুদগী কান্নবা অমত্তা ফঙবা ঙমখিদে। মালেমগী লৈবাকশিংবু ঐখোয়না শেমগৎ শাগৎপীদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়না মীৎয়েং চঙগদবদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী অঙাংশিংনা অশোয় অঙাম য়াওদনা মহৈ মশিং তম্বা য়াগদবা স্কুলশিং শেমগৎ শাগৎপা অদুনি।

অমরোমদা, ট্রম্পনা নোংমৈগী কন্ট্রোল হেন্না চেৎশিনহনগদবনি হায়বা দিমান্দশিংসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, মদুদি অমেরিকনশিংবু ফত্তবশিংগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক নোংমৈ পায়বা য়াহনগদবনি। নোংমৈ কন্ট্রোলগী লো হেন্না কনশিনহনবগী মহুত্তা মহাক্না স্কুলগী সেফটিগা মরী লৈনবা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক পায়খৎনবগী ৱাফম হৌদোকখি। অঙাংশিংনা তম্লিবা স্কুলশিংদা মেটাল দিটেক্টর্সশিংগী খুদোংচাবা য়াওনা সিঙ্গল পোইন্ট এন্ট্রি লৈহন্দুনা সেক্যুরিটিগী থৌরাং হেন্না কনখৎহনবগা লোয়ননা কেম্পস খুদিংমক্তা খুৎলায় পায়বা পুলিস ওফিসার অমমম দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম মহাক্না হৌদোকখি। মহাক্না দেমোক্রেটশিংবু সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংগী ৱাফমদা থৌশাদে হায়না মরাল শীখি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা যুবালদেগী ভিক্তিমশিং অদুগী মমিংশিংসু পাথোকখি। মহাক্কী স্পিচ অদুদা ট্রম্পনা মেন্টল হেল্ঠকা মরী লৈননা ঐখোয়না য়েংলিবা মীৎয়েংদা চাওনা অহোংবা লাকহন্নবসু আপিল তৌখি।

যুএসকী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা গন লোবি গ্রুপ এনআরএগী চহীগী ওইবা কনভেন্সন অদু কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অনী লেপ্পুরবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।

# যুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মিলিটরি সপোর্টকী মতাংদা যুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকা ৱারী শান্নখ্রে



কিভ, মে ২৮ (এজেন্সী):
যুক্রেনদা মিলিটরি সপোর্ট পীবগী মতাংদা যুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকনগা খন্নখি হায়না যুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা ফোঙদোকখ্রে।ৱারী শান্নবা অদু লোইরবা মতুংদা কুলেবানা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী এজেন্দাদা অচৌবা খুৎলায়শিংগী মকোক্তা লৈ। খুৎলায় কয়া লাক্লিবা মতম খরা অসিদা শোয়দনা থারক্লগনি।

যুক্রেনগীদমক্তা যুএস অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়ানা লেপ্তুনা মতেং পাঙনবা ব্লিনকন্না থৱায় য়াওনা হোৎনরিবশিং অদুবু থাগৎলি হায়না কুলেবানা ফোঙদোকখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা যুক্রেননা লৈবাক অসিগী পোত্থোকশিং ওইরিবা চান থক্লবা পোৎলমশিং মপানদা থাদোকপগী ৱাফমসু খন্নখি। থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ইন্টরফেস-যুক্রেন ন্যুজ সর্ফ এজেন্সিনা ফোরেন মেদিয়া পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা যুএসনা যুক্রেনদা টেক্নোলোজি ৱাংলবা অশানবা রেঞ্জকী রোকেট সিষ্টেমশিং থাননবা শেম শারি।

মে ৯ দা যুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা যুক্রেন দিমোক্রেসি দিফেন্স লেন্দ-লিজ এক্ট, ২০২২ খুৎয়েক পীদুনা লো ওন্থোকখি। দোক্যুমেন্ট অদুনা যুএস গভর্নমেন্টবু যুক্রেনদা খুৎশু খুৎলায়শিং, মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট, হিদাক লাংথকশিং অমসুং চিঞ্জাক থাবা নত্ত্রগা লিজ তৌবা য়াহল্লি।

অমরোমদা, যুক্রেনগী প্রাইম মিনিষ্টর দেনিস সিমহালনা জমর্নিগী মিনিষ্টর ফোর ইকনোমিক কোর্পোরেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সবেঞ্জা সল্‌সকা কিভতা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট লোইরবা মতুংদা যুক্রেনদা লানননা মাঙ তাকহল্লবা কয়া নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদু লোইরবা মতুংদা সিমহালনা টেলিগ্রামদা অসুম্না ইখি, মদুদি নোর্মেল লোজিষ্টিক য়াহন্নবা অমদি ইন্টরপ্রাইজশিং ওপরেট তৌবা য়ানবা যুক্রেননা অথুবা মতমদা লৈবাক অদুবু লিবরেট তৌরবা মফমশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর নৌনা শেমগৎ শাগৎপা মথৌ তাই। স্মোল অমসুং মেদিয়ম সাইজকী বিজিনেসশিংগীদমক্তা শেল থুমগী মতেং পীবা অসিনা যুক্রেনগী ইকনোমি ষ্টেবল ওইহনবদা মতেং ওইগনি হায়না সিমহালনা ত্বিট অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা চয়োলদা বর্লিনদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ ওফ সবেন্ট (জি ৭) গী দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরশিংগী মীফমগী রিজল্টকী মতাংদা মহাক্না সল্‌সকী অৱৈবা মতশিং ফোঙদোক্লখি।

# পুটিননা যুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং থাদোকপা হৌনবগী মতাংদা খন্নবা পাম্মী



মোস্কো, মে ২৮ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা থাংজ নুমিত্তা ফ্রান্স অমসুং জমর্নিগী লুচিংবশিংদা ৱারী শান্নবদা যুক্রেনন করম্না ব্লেক সিগী পোর্টশিংদগী লৈবাক অসিগী হৱাই চেঙৱাইনচিংবা চিঞ্জাক্কী পোত্থোকশিং করম্না থাদোক্কদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবা পাম্মী হায়বসি খঙহনখ্রে হায়না ক্রেমলিননা ফোঙদোরক্লি।

পুটিননা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুএল মেক্রোন অমসুং জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাপসোলসকা ফোনদা ৱারী শান্নখিননি।

ৱারী শান্নবা অদুদা পুটিননা মেক্রোন অমসুং সোলসতা যুক্রেনদা খুৎলায় পীশিনবগী থবক হেন্না কনখৎপগী মায়োক্তা ৱার্নিং তৌরদুনা থৌওং অদুনা যুক্রেনদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু হেন্না শোকচিল্লকপা য়াই হায়বসি খঙহনখ্রে।

ক্রেমলিনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, রসিয়াগী ওইনদি ব্লেক সিগী পোর্টশিংদগী যুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াওনা অয়েৎ অপন পীদনা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং এক্সপোর্ট তৌনবগী ওপসনশিং খন্নবদা মতেং পাঙননবা শেম শাদুনা লৈ। মালেমগী গেহু সপ্লাই অপুন্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদি রসিয়া অমসুং যুক্রেনদগী থাদোকপশিংনা ওইরিবনি।

অমরোমদা, মোস্কো অসি মালেমগী মরু ওইবা ফর্টিলাইজর এক্সপোর্টর অমনি অমসুং কিভনা সনফ্লৱার ওইল খ্বাইদগী য়াম্না মপানদা থাদোকপা মরু ওইবনি। পুটিননা ৱারী শান্নবা অদুদা হায়খি, মদুদি মালেমগী কৈথেলশিংদা হৱাই চেঙৱাইশিং সপ্লাই তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া নঙখিবদু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী অরানবা ইকনোমিক অমসুং ফাইনান্সিএল পোলিসিশিংনা মরম ওইদুননি। রসিয়াগী ফর্টিলাইজরশিং অমসুং লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিংগী সপ্লাই হেনগৎহনবা তারবদি মালেমগী চিঞ্জাক্কী মার্কেটতা লৈরিবা টেন্সন হন্থহনবদা মতেং শোয়দনা পাঙগনি।

তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকহনবদা মরী লৈনবা অথিংবশিং লৌথোকপা মথৌ তাগনি হায়না পুটিননা ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী লুচিংবশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ক্রেমলিন্না মখা তানা হায়খি।

# আর্জেন্টিনাদা মঙ্কিপোক্সকী অহানবা কেস কনফার্ম তৌখ্রে



ব্যুনোস এরিস, মে ২৮ (এজেন্সী):
আর্জেন্টিনানা লৈবাক অসিগী অহানবা মঙ্কিপোক্সকী কেস নুপা অমদা থেংনদুনা কনফার্ম তৌখ্রে। নুপা অদু স্পেনদগী থুংলবনি হায়না হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, পেসেন্ট অদুগী ফিভম ফনা লৈ। মহাক সিমটোমেটিক ট্রিটমেন্ট চথরি অমদি মহাক্না নকশিন্নখিবশিং হৌজিক ক্লিনিকেল অমসুং ইপিদিমিওলোজিকেল কন্ট্রোল মখাদা লৈরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখোয়দা লায়না অসিগী লাইওং উৎলকপা লৈত্রি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়, চিংনবা য়াবা মীওই অদুগী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মদুগী রিজল্ট পোজিটিব ওইখি। মসিনা পোক্স ভাইরসকী ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

পোক্স ভাইরস অদু ওর্থোপোক্স জেনসকী যুরেসিয়ন-অফ্রিকান গ্রুপকী মনুং চল্লি। মতুং তাবদা জেনোমিক সিক্বেনশিং পাঙথোকপদা কেস অদু মালেমগী মফম কয়াদা থেংনরিবা অনৌবা কেসশিংদা দিটেক্ট তৌরিবা গ্রুপ অদুগা মান্নরমখি।

হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা লায়না অসিগী লাইওং চেনবা মীওইশিংদা মাস্ক উপ্পবা, সোসিএল দিষ্টেন্স ঙাক্লবা অমসুং খুদক্তা হেল্ঠ এক্সপার্টশিংগা তান্ননবা খঙহনখ্রে।

# সিওলনা অহিং অথেংবগী সবৱে সার্ভিস জুন থাদগী হৌরগনি



সিওল, মে ২৮ (এজেন্সী):
কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কা মরম ওইদুনা সার্ভিস চহী অনী লেপ্লক্লবা অহিং অথেংবগী পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন ওপরেসনশিং অমুক হন্না হৌবা য়ানবগীদমক্তা থাংজ নুমিত্তা সিওল সবৱেগী লেবর যুনিয়নগা সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেলগী গভর্নমেন্টগা এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

সবৱে সিষ্টেম অসিগী ওপরেটর ওইরিবা সিওল মেট্রোগী যুনিয়েনাইস ৱার্করশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ওপরেসনগী মতম য়াম্না থুনা মথংথাগী অঙনবদগী হৌরগনি অমসুং অহিং নোংয়াইদগী নোংয়াই মতুং পুং ১ তাবা ফাওবা শাংদোক্লগনি। চপ চাবা তারিখশিং সবৱে লাইন অদুগী মখা পোন্না লেপকনি। লাইন টু অমসুং ৬-৮ তা নোংয়াইমতুংগী সার্ভিসশিং জুনগী অঙনবা শরুক্তগী হৌগনি অমসুং লাইন ১, ৩, অমসুং ৪ দনা ওগষ্ট চঙলকপা অদুৱাইদগী হৌরবা য়াই।

লাইন ৫ কী সেদ্যুলদা অহোংবা লৈগদৌরিবদু মিনিষ্ট্রি ওফ লেন্দ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ট্রান্সপোর্টনা এপ্রুফ তৌরবা মতুংদা কনফার্ম তৌগনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ ইনফেক্সন শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা সোসিএল দিষ্টেন্সিংগী অথিংবশিং কোমথোকহনখ্রবা মতুংদা অহিংগী মতমদা টেক্সিশিং তোংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে হায়না মীয়াম্না কনেদম তৌনরকপদগী এগ্রিমেন্ট অদু পুরকখিবনি। অহিং অথেংবগী সার্ভিস অদু কুমজা ২০২০ গী এপ্রিল ১ দগী লেপ্লকপনি।

# গ্রেজুয়েসন থৌরমদা নোংমৈ কাপ্পদা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অহুম শোক্লে

লোস এঞ্জেলিস, মে ২৮ (এজেন্সী):
যুএসকী হৱাইয়ি ষ্টেটকী কেপিটেল সিটি হোনোলুলুদা পাঙথোকখিবা গ্রেজুয়েসনগী থৌরম অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা চহী ১৫ গী নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অহুম অশোক অপন নঙলে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নুপামচা অদু অরুবা ফিভমদা হোসিপটলাইজ তৌখি অমসুং অতৈ ভিক্তিম অনীসু অরুবা ফিভমদা লৈখি।

থৌদোক অদু শগোলশেল নুমিৎকী লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৯ তারমদাইদা সিটিগী পার্ক অমা ওইরিবা থোমাস স্কৱারদা থোকখিবনি। উহৌবা কয়ানা ফোঙদোরকখিবদা পার্ক অদুদা ইমুং কয়া অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংনা গ্রুপ গ্রুপ ওইনা পুল্লিঙৈদা বোম্বুলাশিং থাখি। নুমিদাং অঙনবদা গ্রেজুয়েসনগী থৌরম হৌখিবনি। পার্ক অদুদা লৈরিবা মীওইশিং চাইথোক্লরকখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরিবা মীওই অমনা মহাক্না উহৌবশিং তম্লদুনা ফোঙদোরকখিবদা ইমুং কয়া অমসুং নহা ওইরিবা মীওই গ্রুপ কয়ানা সেলেব্রেসন তৌরিবা পার্ক অদুগী মনাক্তা নহা অমনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদগী মীওই কয়া মফম অদুদগী চেন্থোক্লনবা হোৎনবা উখি হায়রি।